কেস নিপাল থেংনখ্রে

লামায় ১গী মখা... মনুংদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৫,৪৯৩ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ৩,৪২৯নি। এক্টিভ কেস ২৮ লৈবদা জেনরেল পোপ্যুলেসনগী ২৬ অমসুং সেন্ত্রেল সিক্যুরিটি পর্সনেল ২ য়াওরি। নাবা ফগৎলকপগী চাং চাদা ৯৮.৬৩ ওইরে। লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্নবা টিকা থাবগী থবক পাক শন্না পায়খৎপগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা পূন্না মীওই ৭৭,৮১৯ ভেক্সিন কাপখ্রে। হেল্থ ক্যের ৱার্কর ৩০,৮৮৬সু টিকা থাখ্রে।

FOREX (INDIA RUPEES)

FOREX NAME	INDIAN RUPEE
Euro	86.412443
US Dollar	72.539030
British Pound	100.832413
Australian Dollar	56.099277
Chinese Yuan Renminbi	11.156582
Japanese Yen	0.665143
Malaysian Ringgit	17.602312
Singapore Dollar	53.892886
South Korean Won	0.064258
Saudi Arabian Riyal	19.343741
Thai Baht	2.356502

GAS NEWS

M/s K&K INDANE SERVICE
Booking upto 19/02/2021
Valid from 11/02/21
Time 7.30 to 11am
LEIBAKLEI GAS SERVICE KAKCHING
BOOKING UP TO - 31-01-2021
VALID FROM : 18-01-2021
STOCK : 612
HOME DELIVERY ONLY.
CONTACT NOS: 9862836403, 8415050488, 9862283423,
CALL TIME : 7 AM T0 10 AM
HARAN VALLEY, KWAKTA.
Booking up to : 16/03/2021
Valid from : 04/03/2021
Please contact mobile no. 7085412191
Time: 7:30am to 11:00am
HIYANGTHANG INDANE
Booking 12-01-21
Valid 03-01-21
Stk.-306
Timing 7.a.m.to 11.a.m.
Only home delivery Service. Contact no. Office no. 6381538861. Whatsapp.no. 7085557686
HRANGCHAL GAS AGENCY
VALID FROM: 22/02/2021
BOOKING UPTO: 24/02/2021
BOOKING AND ENQUIRY ONLY: 03852444677
TIMING: 8:00 AM to 12:00 PM
HEINGANG INDANE GRAMIN VITRAK
BOOKING UP TO : 13/03/2021
VALID FROM : 02/03/2021.
FOR HOME DELIVERY M.NO 9089177227 & 9366597565.
FOR MOBILE BOOKING OFFICE NO 9089161416
TIME 8:00 AM TO 11:00 AM
M/S MANIPUR POLICE GAS SERVICE
BOOKING UPTO :13/01/21
Sl.No.01 to 100
Valid from :11/01/21
Time: 11am to 2pm
Any enquiry and booking
Contact no. 7629045883
CANCHI INDANE SERVICE
BOOKING UPTO 10/02/21
VALID FRROM 04/02/21
19 kg &5kg UJJAWALA AVAILABLE
HOME DELIVERY
CONTACT NO
KWAKEITHEL 6909634960 & 8794191632
NAOREM LEIKAI 7005210401 & 7005352782
TIMING 08.00 to 10.00am
KHUMBONG INDANE
Booking upto : 09-01-21
Valid from : 06-01-20
Office no.9774068549
Home delivery contact no.7005013837
Whatsapp no.8794973019
Time 7.30am to 10.30am
MM GAS SERVICE
HOME DELIVERY ONLY
NO PHONE CALLS
ONLY SMS OR WHATSAPP
TIMING 8:00 AM TO 12:00 noon
BOOKING : 29.01.21
VALID : 21.01.2021
FOR ALL IMPHAL-WEST & IMPHAL-EAST
8131942156, 7630902992, 7085198900
ONLY FOR ALL THANGMEIBAND & LAMPHEL 7628098544,8787630773,9089370369
DELIVERY WITHIN 3 DAYS
KHORIPHABA NAMBOL
Bk.upto 08-02-21
(sl.no upto 31144)
Contact no 9366471778/8837349474/8787632782
M/S MISAO GAS SERVICE
ONLY HOME DELIVERY
Booking Upto 14.2kg-17/03/2021
Valid from-25/02/2021
***19kg Available
For delivery service Please contact -7085738631or 8119967523
Call timing:8:00AM to 2:00PM.
MANIPUR GAS SERVICE
Booking up to 21/02/2021
Valid from 04/02/2021
Home Delivery Only....
Contact no : 8730954041, 8259969582
Office Timing: 8 am to12.00noon
Note:- DELIVERY TIME WILL TAKE 4 DAYS
MAIBIA GAS MOIRANG
BOOKING UPTO : 09/02/2021
VALID FROM : 08/02/2021
STOCK= 306
(HOME DELIVERY SERVICE)
CONTACT NOS. 1.DILIP-9612883295 (MOIRANG A/C). 2.GOBIN-7005913637 (THANGA A/C), 3.NANDA-9362111646/ AMARJIT-9862710469 (KUMBI A/C).BOOKING CONTACT NO. 7085972248.
TIMING--8 AM TO 12 NOON
TDK GAS
BK UPTO 15/01/21
VF.09/01/21
HOME DELIVERY ONLY. CONTACT NOS. 6909614353/8731992324.CALL TIMING 9:00 AM TO 3:00 PM.

‘শেঙ্গা থুমজানা লাকহৎলবা খুন্নাই অমা ওইরে’

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস) : মণিপুর অসি শেঙ্গা থুমজানা লাকহৎলবা লমদম অমা ওইরে হায়না মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী চীফ ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর ওইনাম সুনিলনা ফোঙদোকখ্রে।

তাকয়েল খোংবান মমাঙ লৈকায়দা লৈবা মচা ইবেম্মা কম্যুনিতি হোলদা পাঙথোকপা আর টি আই এক্ট ২০০৫গী মতাংদা নোংমগী ওইবা এৱ্যের্নেস প্রোগ্রামদা চীফ গেষ্ট ওইনা ৱা ঙাঙখিবদা মহাক্না ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর ডা. সোইবম ইবোচা, রিটায়র্দ আই পি এসনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

চীফ গেষ্টকী ৱারোলদা ওইনাম সুনিলনা হায়খি, লমদম অসিদা লৌ, ইঞ্চোল য়োল্লগা লুপা লাখ ৭/৮ পীদুনা পুলিস কন্সটেবল নৎত্রগা আই আর বিগী থবক চঙবগী চৎনবী অমা ময়েক শেংনা উবা ফংই। শেল পীবা ঙমদবা মীওইশিংদি লৈঙাক্কী থবক ফংবা ঙমদবগী ফীভমদা লৈরে।

থবক লৌবদা অরানবা থৌওং চথরকপা মতমদা আর টি আই এক্টকী মতেং লৌরগা অরানবা পূন্নমক ইরায় লায়না খঙবা ঙম্বগী খুদোংচাবা লৈ। লৈঙাক্কী মকোক থোংবা ওফিসল নৎত্রগা মিনিষ্টরনা তুরেল খোংবান শেংবা নৎত্রগা লম্বী শেম্বগী থবক পায়খৎপদা মনুং মপান ফাওনা উহন্নবা হোৎনগদবনি। করম্বা মওংদা থবক পায়খৎলিবগে হায়বদু মীচম অমনা আর টি আইগী মতেং লৌরগা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্মী। আর টি আই এক্ট অসি ঐখোয় খুদিংমক্কা কাঙলোন চুম্মা শীজিন্নরবদি লৈঙাক্কী থবক চঙবদা শেল লৌবগী থৌওং মপূং ফানা থিংবগা লোয়ননা শেঙ্গা থুমজা লৈতবা খুন্নাই অমা ওইহনবা ঙমগনি।

থৌরম অদুগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী ষ্টেট ইনফোর্মেসন কম্মিস্নর ডা. সোইবম ইবোচা, রিটায়র্দ আই পি এসনা হায়খি, লমদম অসিদা আর টি আই এক্টিভিষ্ট কয়ানা অরানবা থৌওং পূন্নমক চুমথোক্লবা হোৎনদুনা লাক্লি। শেঙ্গা থুমজা মপূং ফানা থিংনবা হোৎনবদা আর টি আই এক্টপু খূৎলায় ওইনা শীজিন্নবা কান্নগনি।

একাদেমিক সেসন্দা আর টি আই এক্ট-ইন এ নটশেল হায়বসিদা এদভোকেট সী ঐচ নরেন্দ্রনা ৱা ঙাঙখি। মণিপুর ইনফোর্মেসন কম্মিসনগী দেপ্যুটি রেজিষ্ট্রার (জুদিসল-১) এস ইনাওনা রেসপোন্সিবিলিটি ওফ দি পি আই ও এন্দ এফ এ এ হায়বা হীরমদা ৱা ঙাঙখি।

এমেস্কোগী থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচ এন এস) : ওল মণিপুর এথনিকেল সোসিও কলচরেল ওর্জনাইজেসন (এমেস্কো) গী নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌবগী থৌরম কৈশাম্পাৎ কোঞ্জেং হজারি লৈকায়দা লৈবা লূপ অসিগী ওফিসতা পাঙথোকখ্রে।

সোসল সাইন্টিষ্ট ডা. ধনবির লাইশ্রমনা ওট কম্মিস্নার ওইদুনা নৌনা থৌ পুগদবশিং ৱাশক লৌখিবগা লোয়ননা হায়খি, কুমজা ১৯৯২ দা থোকখিবা কাঙলূপকী খৎনা চৈনবগী থৌদোক্তা এমেস্কোনা মরু ওইবা থৌদাং লৌদুনা য়াশিন্নবা পুরকখি। কাঙলূপ মশেল নুংশি চান্ননা লৈমিন্নবগী ৱাখল্লোন্দা তোঙান তোঙানবা ফুরুপকী নিংঙোলশিং নিংঙোল চাক্কৌদুনা হীরম খুদিংমক্তা মরু ওইবা থৌদাং লৌরি। নৌনা থৌ পুগদৌরিবা মীওইশিংনা ৱাখল্লোন অসিদা য়ুম্ফম ওইবা লৈবাক মীয়ামগী য়াইফনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবী পোইরৈ লৈমরোল মৈরাপায়বী মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ইমা মেমচৌবীনা হায়খি, য়েলহৌঙৈদগী লৈরক্লবা নাৎকী চৎনবীশিং মাঙহন্দনা থম্নবা হোৎনবা মতম ওইরে। তোঙান তোঙানবা শিনফমদা লৈরিবা মীওই খুদিংম্না হীরম অসিদা পুন্না খূৎশম্নবা মথৌ তাই।

এমেস্কোকী প্রসিদেন্ট বি কে মোইরাংচানা হায়খি, মণিপুরগী হৌজিক লৈরিবা ফীভম অসিদা খ্বাইদগী ইহান হান্না লৌখৎপা য়াবা থৌরাংদি ঈগী খোঙ্গুল লীবা অমসুং শজিবু খুদোল তম্বা হায়বসিনি।

এমেস্কোকী নৌনা থৌ পুগদবশিং অদুদি প্রসিদেন্টতা বি কে মোইরাংচা; ভাইস প্রসিদেন্টতা এল ইবোতোম্বী, থোকচোম রঘুমণি অমসুং দব্লিউ চীংলেম্বা; জেনরেল সেক্রেটরিদা লকি কোন্সম; এসিষ্টেন্ট জেনরেল সেক্রেটরিদা অজিজুর পুখ্রিময়ুম; ফাইনান্স সেক্রেটরিদা মাইবম বিদ্যারাজ; এসিষ্টেন্ট ফাইনান্স সেক্রেটরিদা হেম্বা থৌদাম; ওর্গনাইজেসন সেক্রেটরিদা নিংথৌজম জয়; এসিষ্টেন্ট ওর্গনাইজিং সেক্রেটরিদা য়েন্দ্রেম্বম বুংচা; পব্লিসিটি সেক্রেটরিদা দব্লিউ দিপু লোয়ননা এগজিক্যুটি মেম্বরদা এন জি চন্দ্রজিনি অমসুং ঈ কিরনমালানি।

থা অহুমগী মনুংদা খূৎশিন্নদ্রবদি খোঙজং চঙশিল্লগনি

ইম্ফাল, মার্চ ১৭ (ঐচএনএস): য়ুনিভর্সিটি গ্রান্ট কম্মিসন (য়ু জি সী)গী মখাদা লাকখিবা লুপা ক্রোর অমা হেনবগী শেনফম্না শাগদবা সী আই কোলেজগী স্বিম্মিং পুল মতম কুইনদগী শীজিন্নবা য়াদনা লৈরকপা অসি সী আই কোলেজগী মহৈরোয়শিংদা নত্তনা বিষ্ণুপুর মীয়াম্বু উশিত্তবনি হায়না লৌই। মরম অদুনা স্বিম্মিং পুল অসি থা অহুম ফাওবগী মনুংদা শীজিন্নবা য়াবা মওংদা খূৎশিন্নদ্রবদি ঙসি চঙশিল্লিবা খোঙজংসিদগী হেন্না বিষ্ণুপুর মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লগনি হায়না সী আই কোলেজ ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী জেনরেল সেক্রেটরি ৱাই রোজা সহানিনা থোকপা চেরোল অমদা ফোঙদোরক্লি।

চেরোল অসিনা মখা তারদুনা, মসিদা ঐখোয়না খোঙজং চঙশিনগনি হায়বদা থেংখাং কয়াদা অপনবা পীরকখিবা ওজাশিংসু শরুক য়ারিবনি হায়বসি খঙবীয়ু। মখা তানা অমুক্কা হন্না অপনবা পীরকপা য়াওরবদি মমিং মথাগা লোয়ননা মীয়ামদা খঙহল্লগনি। হায়রিবা স্বিম্মিং পুলগী কন্সট্রক্সনগী কন্ট্রেক্টর লোয়ননা কমপ্লিসন সর্টিসফিকেট পীখিবা প্রিন্সিপালনা স্বিম্মিং পুল অসি শীংগদবনি। মসিদা থৌশাদদুনা অথুবদা থবক্তা ওন্থোরক্তবদি য়ু জি সী অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টরদা চে থানবা শেম-শাদুনা থৌরাং তৌবা লোইরে হায়রি। মণিপুর মীয়াম অমদি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংনা বিষ্ণুপুর মীয়ামগী খনবীদুনা ইম্ফাল, ওরিএন্টেল, মোদর্ন, ষ্টেন্দর্দ কোলেজনচিংবা কোলেজগী স্বিম্মিং পুল মতৌগুম্না ওইহন্নবা হোৎনবদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়রি।

লৌমীশিংনা মল্টিপল ক্রোপিং তৌবা ...

লামায় ১গী মখা... স্প্রেয়রসু য়েন্থোকখি। টেক্নিকেল সেসন অমা পাঙথোক্তুনা লমদম অসিদা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবগী মতাংদা কূপ্না খন্ন-নৈনখি।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙখিবদা সী এ য়ু ইম্ফালগী দিরেক্টর ওফ রিসর্চ ডা. এস বসন্তনা হায়খি, লৌমীশিংনা তোঙান তোঙানবা লৌউ পথাপশিংগী মতাংদা সী এ য়ুগী এক্সপার্টশিংদগী ত্রেনিং লৌবগী খুদোংচাবা লৌবীয়ু। এগ্রিকলচর সেক্টর চাওখৎহন্নবগী ৱাখল্লোন্দা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা পি এম এস ৱাই, পি এম কে ৱাই অমদি আর কে ভি ৱাইনচিংবা স্কিম কয়াসু হৌদোক্লে।

আর্টিষ্টশিংনা ষ্টেটসিগী মীংচৎ পুরক্কনি...

লামায় ১গী মখা... ক্রিয়েটিভিটি অমদি মখোয়না ফোঙদোক্লিংলিবা ফোঙদোক্লবগী অচৌবা তাঞ্জা অমা পীবা হায়বদু ওইগনি হায়খি।

লমদম অসিদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কা ষ্টেট অসিগী আর্ট এন্দ কলচরবু চাওখৎনবা হোৎনবদা পুন্না হোৎনমিন্নসি হায়নসু আপীল তৌখি। লোয়ননা থৌরম অদুগা মরী লৈননা ১২ শুবা এন্যুএল আর্ট এৱার্দ ২০২০ গী মনা ৱারিবম নেলোপাল অমদি সাইরেম সত্যজিৎতা খূৎশিন্নখি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল আর্ট কোলেজগী প্রিন্সিপাল এ হেমন্তনা গেষ্ট ওফ ওর্নর, আর্ট সোসাইটি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট ৱাই নবচন্দ্রনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি। লোয়ননা লমদম অসিগী শকনাইরবা আর্টিষ্ট কয়াসু এগজিবিসন হৌদোকপগী থৌরম অদুদা শরুক য়াখি।

রসন কার্দ ক্রোর ৩ কেন্সেল তৌখিবগী...

*লামায় ১গী মখা...*অসিগা মরী লৈনবা ৱাকৎ অমা লাক্লবনিনা অথুবা মতমদা অচুম্বা ৱায়েল অমা ফংলগনি হায়বগী থাজবা লৈ।

পনবা য়াবদি, রসন কার্দ লৈতবদগী লৈঙাক্না পীবা খুদোংচাবশিং ফংদবা মরম্না মীওই খরা চরা হেনবদগী শিরে হায়বা ৱাফমগা মরী লৈননা মতিক চাবা পাউখুম অমা পীরক্লবা কুমজা ২০১৯গী দিসেম্বর ৯দা সুপ্রিম কোর্টনা ষ্টেট পূম্নমক্তা নোটিশ অমা থাখ্রবনি।

নোটিশ অদুগী পাউখুমদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টনা হায়খি মদুদি ষ্টেট খরদা মী শিখিবগী থৌওং অদু চরা হেনবদগী নত্তে। অধার কার্দ পায়দে হায়বগীদমক ইমুং অমত্তদা ফুদ সিক্যুরিটি এক্তকী পোৎলমশিং ফংহন্দবা য়াওখিদে। রসন কার্দ পায়দ্রবসু থা খুদিংগী মীয়ামদা চেঙ অমসুং য়াম্নচিংবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং চাং নাইনা য়েন্থোক্তুনা লাক্লি হায়নসু সেন্টরনা ফোঙদোকখি।

মণিপুরদা ফেক ইনকাউন্টরগী কেস থিগৎলিবা...

*লামায় ১গী মখা...*ওইবা মীহাৎতা মীওই ১,৫২৮ শিখিবগী মতাংদা ৱায়েল চথুরিবা এপেক্স কোর্টনা কুমজা ২০১৭কী জুলাই ১৪দা এস আই টি অমা শেমখিবগা লোয়ননা কেস পূম্নমক্কী এফ আই আর ফাইল তৌরক্লবা য়াথং পীখিবনি।

কুমজা ২০১৮গী জুলাইদা ভরদ্বাজ য়াওনা এন ঐচ আর সীগী ওফিসর অনী এস আই টিগী মেম্বর ওইনা হাপচিনখি। চহী অদুমক্কী জুলাই ৫দা সুপ্রিম কোর্টনা আর্মি, অসাম রাইফলস অমদি মণিপুর পুলিস চেন্নবা ফেক ইনকাউন্টরগী কেস ৪গী মতাংদা ফাইনেল রিপোর্ট পীখৎলক্লবা সী বি আইদা য়াথং পীখি।

আই আই এস ঈ আর লিংখৎনবা নিংথৌ...

লামায় ১গী মখা... রিসার্চতা মতেং পাংবিয়ু। হৌজিক ফাওবা মণিপুরদা আই আই টি, আই আই এম গুম্বগী থাক্তা লৈবা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা নেস্নেল ইন্সটিট্যুসন অমাফাওবা লৈত্রি।

অদুবু মফম অসিদগী শকনাইরবা সাইন্টিষ্ট কয়া পুথোকপগা লোয়ননা নেস্নেল অমদি ইন্তরনেস্নেলগী থাক্তা মখোয় মখোয়গী ফিল্ডদা কথোকপগা লোয়ননা থবক তৌরি। মরম অদুনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টনা স্পেসল কেসতা মণিপুরদা আই আই এস ঈ আর অমা লিংবিয়ু হায়খি।

পনবা য়াবদি নিংথৌ সনাজাওবনা কষ্টমরি হেদসু ওইবনা, এম পি ওইনা রোয়েল এটয়ার সেক্তুনা ইবুধৌ পাখংবগী মিং শোন্দুনা ৱাশক লৌবগা লোয়ননা ঙসি ফাওবদা লোল, ময়েক, হিষ্টোরিকল এন্দ আরকোলোজিকেল মেটরদা হান্না পুক্নিং ৱাখল থমদুনা পার্লিয়ামেন্টতা পুখত্তুনা লাকখিবদগী ঙসি সাইন্স এন্দ রিসার্চকী মরু ওইবা হীরম অসি পার্লিয়ামেন্টতা পুখৎখিবনি।

শুমাং কুম্মৈ থিংলকপা চৎনবা য়ারোই...

লামায় ১গী মখা... ঙাইহাক ঙাইহাক্কী ওইবা এস ও পি শেম্লগা মীয়াম্বু অৱাবা তাহনবগী থৌওং লেপকদবনি।

লৈঙাক্না য়াওশঙ কুম্মৈ অমদি শুমাং কুম্মৈ থিংবগী খোঙফম হন্দোক্কদবনি হায়না পল্লদুনা চেরোল অসিনা হায়, কংলৈপাক্তা হিংমিন্নরিবা কংলৈচাশিংনা ‘ন্যু নোর্মেল লাইফ’ ওইনা হিংমিন্ননবগীদমক ইনভাইরোনমেন্ট, কলচর অমদি ত্রেদিসনবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা নুপীনা নুপীগী লমচৎ, নুপানা নুপাগী লমচৎ ঙাক্তুনা থম্নবা হোৎনবগী মথৌ তারে। মীয়াম্নসু লাক্কদৌরিবা য়াওশঙ কুম্মৈ অসিবু অশেংবা ইনাৎকী ওইবা শক্লোন্দা নিংহন্নবা লৈতনা পাঙথোকপীয়ু। অদুম ওইনমক শুমাং কুম্মৈ, থাবল চোংবা, শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং জিলা পরিষদ নৎত্রগা গ্রাম পঞ্চায়টকী মীহুৎশিংনা লৈকায়গী ক্লব অমদি মৈরা পায়বীশিংগা খূৎশম্নদুনা অকনবা মওংদা ঙাক শেন্দুনা পাঙথোক্কদবনি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা কোভিদ-১৯গী অনীশুবা...

লামায় ১গী মখা... খুদিংমক ফেস মাস্ক উপ্নবা অমসুং লাইচৎ অসিদগী ঙাকথোক্লবগী মতাংদা শেমখিবা ষ্টেন্দর্দ ওপরেটিং প্রোসিজর (এস ও পি) ঙাক্না চৎনবা খঙহনখি। পঞ্জাবকী ওইনসু রুপনগর দিষ্ট্রিক্তা ঙরাং নুমিদাং পুং ১১দগী হৌনা মখা তাবা য়াথং অমা পীদ্রিবা ফাওবা নাইট কর্ফ্যু থমখি।

অহম্মেদবাদ, বাদোদরা, সুরট অমদি রাজকোটনচিংবা মেত্রোপোলিটান সিটিশিংদা নুমিদাং পুং ১০দগী অয়ূক পুং ৬ ফাওবা কর্ফ্যুগী অথিংবা থম্লে। অথিংবা অসি মার্চ ১৭তগী হৌরগা মার্চ ৩১ ফাওবা চৎনখিগনি হায়রি।

মীরোৎ ওইরিবা টিমোথিগী চিলদ্রেন হোম...

লামায় ১গী মখা... কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা নোর্থ ইষ্ট চিলদ্রেন হোম অসিগী একাউন্ট নম্বর ১১৩৪৩৭০৬৪৬৮ অসিবু এস বি আই চুড়াচান্দপুর ব্রাঞ্চকী চীফ মেনেজরনা ফ্রিজ তৌদুনা থমজিল্লিবা অসি দি-ফ্রিজ তৌননবা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়বসিনি।

অদুগা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টনা স্পেসল ত্রাইএল (পোক্সো) কেস নম্বর ২ ওফ ২০১৭কা মরী লৈননা মার্চ ৩০, ২০১৯দা ক্রিমিনেল প্রোসিজর কোদ (সী আর পি সী) গী সেক্সন ৩৯৭, ৪০১ অমসুং ৪৮২গী মখাদা পীখিবা ওর্দর অদু চৎনহন্দনা থম্বীয়ু হায়বসিনি।

পিটিস্নরগী মায়কৈদগী মখা তানা কোর্টতা ফোঙদোক্লিবনা নোর্থ ইষ্ট চিলদ্রেন হোম অসি ফোরেন কন্ত্রিদগী পীরকপা ফন্দনা চলাইবনি। হায়রিবা ফন্দশিং অদুগীদমক এস বি আইদা হাংদোক্লিবা হোম অসিগী একাউন্ট অদু মসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর অমসুং সেক্রেটরিনা ওপরেট তৌদুনা লাকপনি। টিমোথি এল চাংশান হায়রিবা মীওই অসি চিলদ্রেন হোম অসিগী ফাউন্দর মেম্বর ওইবদা নত্তনা এদমিনষ্ট্রেটর অমদি দিরেক্টরনচিংবগী থবক থৌরমশিং পাঙথোরকখিবা মীওইনি। অদুবু হায়রিবা মীওই অসিনা হোম অসিগী চ্যেরমেন/সেক্রেটরিদা মহাক্না পুরক্লিবা হোম অসিগী দিরেক্টরগী ফমদগী রিজাইন তৌরগে হায়না অইবা চেরোল অমা পীশিল্লকখি। মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু জুলাই ২৩, ২০১৭তা অতোপ্পা জানে নেন্সি মারিয়ান কৌবা মীওই অমগী কেসকা পূন্না লৌখৎতুনা খন্নরবা মতুংদা টিমোথিগী রিজিগনেসন লেটর অদু হোমগী বোর্দ ওফ ত্রষ্টিশিংনা অয়াবা পীখি। অদুগা নেন্সিবুনা বোর্দ ওফ ত্রষ্ট্রি অমদি সোসাইটিদগী লৌথোকখি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি। মসিনা মরম ওইরদুনা হোম অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর অমসুং সেক্রেটরি ওইরিবা মীওইশিং হোংদোক হোংজিন তৌবগী ৱাফম অসি এস বি আই চুড়াচান্দপুর ব্রাঞ্চকী চীফ মেনেজরদা মতম চানা পাউ পীখি। মসিদগী হৌজিক লৈরিবা সেক্রেটরি অসিনা অনৌবা এদমিনিষ্ট্রেটরগা লোয়ননা হোমগী একাউন্ট অসি জুলাই, ২০১৭তগী ওপরেট তৌদুনা লাকখিবনি হায়রি। অদুম ওইনমক জুলাই ৯, ২০১৮দা সেক্রেটরিনা বেঙ্ক অসিদা একাউন্ট অসিগী ত্রানজেক্সন তৌনবগীদমক চৎলুবা মতমদা হোমগী মীংদা লৈরিবা একাউন্ট অসি ফ্রিজ তৌরে হায়দুনা খঙহল্লকখি। লোয়ননা মসিগী মরম হংবদসু পাউখুম অমত্তা পীরমখিদে হায়রি। হোম অসিদি অঙাং ৪৬ লৈবদগী নুমিৎ খুদিংগী তঙাইফদনা চঙলিবা চান-থক্লবা পোৎলমশিং অমসুং হীদাক লাংথক্লুচিংবগীদমক নুংতিগী শেল মথৌ তাই হায়রি।

নাকল অমরোমদা এস বি আইগী চীফ মেনেজরনা কোর্টতা ফাইল তৌরকখিবা এফিদেভিট অমদনা মহাক্না হোম অসিগী একাউন্ট ফ্রিজ তৌরিবা অসি চুড়াচান্দপুরগী ৱিমেন পুলিস ষ্টেসনগী মায়কৈদগী জুলাই ৩১, ২০১৮দা পিরকখিবা চেরোল অমননি হায়খি।

চেরেল অদুদা হোম অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরিবা টিমোথি অসি ৱিমেন পুলিস ষ্টেসন অসিনা লৌখৎপা কেস এফ আই আর নম্বর ২ (২) ২০১৫ অমসুং ৩ (২) ২০১৫ অন্দর সেক্সন ৩৫৫, ৩৭৬-সী, ৫০৬ আই পি সী, সেক্সন ৬, ৮, ১০ পোক্সো এক্ট, ২০১২ গা মরী লৈননা স্পেসল জজ (পেক্সো) ইম্ফাল ৱেষ্টনা এপ্রিল ৩০, ২০১৮দা পুন্সি চূম্লগী ফাদোক য়াওনা তোঙান তোঙানবা সেক্সন অনী মখাদা চহী ৭/৭ ফাদোক পীখ্রবনি হায়না ফোঙদোরকখি। লোয়ননা মহাকপু ফাদোক পীখিবা অসিদগী মহাক মীরোৎ ওইদুনা লৈরক্লি হায়বা ৱাফমসু ফোঙদোরকখি। অদুম ওইনমক স্পেসল জজ (পোক্সো) ইম্ফাল ৱেষ্টনা মার্চ ৩০, ২০১৯দা ক্রিমিনেল মিসেলিনস কেস নম্বর ৮৭ ওফ ২০১৮গা মরী লৈননা পীখিবা ওর্দর অমদা হোম অসিগী মীংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা গাড়ী অহুম - হোন্দা এক্টিভা - এম এন-০২-৭৩৪১, টাটা সুমো এম এন -০২-৮২৮৯ অমসুং টাটা স্কার বস এম এন-০২/ বি-০৯৭৮২ য়াওনা হোম অসি লৈরিবা পোইন্ট .০৯৪৫ পাক চাউবা পাট্টা নম্বর ২২০৮/২৬৩১গী লমশিং অসি চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্তকী দিষ্ট্রিক্ট কলেক্টরদা এটেচ তৌদুনা থমখ্রবনি হায়রি। কোর্টনা মেট্রর অসি অরোইবা ওইনা মমাঙ থাগী ২৬তা লৌখৎখি। লোয়ননা মেট্রর অসিগী মতাংদা খন্নরকপদা সিভিল রিট পিটিসন অমসুং ক্রিমিনেল রিভিজন পিটিসন অসিগী পিটিস্নরগী মায়কৈদা কাউন্সেল ঐচ কেন্নজিৎনা লেপখি। অদুগা রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদনা গভর্ণমেন্ট এদভোকেট ঐচ সমরজিৎ অমসুং কাউন্সেল সী ঐচ মোমোননা লেপখি।

কোর্টনা পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলগী ৱাফমশিং তারবা মতুংদা পব্লিক প্রোজিক্যুটরগী মায়কৈদগী সবমিসন তৌরকখিবা ৱাফমশিংদনা স্পেসল জজ (পোক্সো), ইম্ফাল ৱেষ্টনা মার্চ ৩০, ২০১৯দা পীখিবা ওর্দর অদু রিভ্যু/ সেট এ সাইদ তৌবগী মথৌ তাদে। মরমদি হৌজিক হোম অসিগী এদমিনিষ্ট্রেটর ওইরিবা অসি টিমোথিগী নক্লবা মরী-মতানি হায়বগা লোয়ননা হৌজিক ফাওবদা মীরোৎ ওইরিবা মহাক্কী মরমদা খঙবা মীওইনি হায়খি। মপান লৈবাকশিংদগী লাকখিবা ফন্দশিং এক্স্যুইজ টিমোথিনা ফংবগা লোয়ননা মহাক্না লোৎতুনা লৈরকপদা চঙবা শেলশিং মসিদগী শীজিন্নে। মরমশিং অসিনা মহাক্কী মমিংদা লৈবা মুভেভল অমসুং ইমমুভেভল প্রোপর্টিশিং সিজ তৌবগী তঙাইফদবা লৈ হায়খি। পিটিস্নরগী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলনা তৌরকখিবা সবমিসন্দদি হায়রিবা মুভেভল অমসুং ইমমুভেভল প্রোপর্টিশিং অসি লাইফ ইমপ্রিজনমেন্ট পীবদগী মীরোৎ ওইরক্লি হায়রিবা মীওই অসিগী লন্নাইগী ওইনা মহাক্কী মমিংদা লৈবা নত্তে। পোৎলম পূন্নমক হোম অসিগী মমিংদা লৈবনি হায়খিবনি।

অদুম ওইনমক কোর্টনা পার্টি অনীমক্কী মায়কৈদা লেপখিবা কাউন্সেলশিংগী সবমিসনশিং তারবা মতুংদা মমাঙ থাগী ২৬তা রিজার্ভ তৌদুনা থম্লকখিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অদু ঙসি লাউথোক্লদুনা পীখিবা দিরেক্সনশিংগী মনুংদা হোম অসিগী সেক্রেটরিনী হায়রিবী মিস রোদি লালমিংমোই মারনা ফাইল তৌরকখিবা সিভিল রিট পিটিসন নম্বর ৬২২ ওফ ২০১৮ অদু দিসমিস তৌখি। লোয়ননা মহাক্কী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা ক্রিমিনেল রিভিজন পিটিসন নম্বর ৬ ওফ ২০১৯ অদুবুসু দিসমিস তৌখিবগা লোয়ননা পিটিসনশিং অসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস কেস নম্বর ১৮৪ ওফ ২০১৯ অদুবুনা ক্লোজ তৌরে হায়খি। লোয়ননা মহাক্কী সিভিল রিট পিটিসন অসিদা কোর্টনা দিসেম্বর ১০, ২০১৮দা পীখিবা ওর্দরগী মতুংইন্না রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৬ ওইনা য়াওহনখ্রবা মণিপুর লৈঙাক্কী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) দা খুদক্তগী চুড়াচান্দপুরগী রেনকাইদা লৈরিবা নোর্থইষ্টর্ন চিলদ্রেন হোম অসি খুদক্তগী লৌশিন্দুনা মহাক্কী কষ্টদিদা থম্লগা মণিপুর লৈঙাক্কী সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টকী খূৎথাংদা চলাইনবা ওর্দর পীখি। লোয়ননা কোর্টনা ঙসি পীরিবা ওর্দর অসিবু থবক্তা ওন্থোকপগী কমপ্লায়ন্স রিপোর্টনা কোর্ট অসিদা মথং থাগী ১৯ (এপ্রিল ১৯, ২০২১) ফাওবগী মনুংদা প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি (হোম) না ফাইল তৌরক্কদবনি হায়খি।

লোয়ননা মণিপুর লৈঙাক্কী হোম দিপার্টমেন্টকী মকোক থোংবা ওফিসর অসিখক্তা নত্তনা সোসল ৱেলফ্যের দিপার্টমেন্টতসু হায়রিবা হোম অসি চলাইবা অমসুং মসিদা লৈবা অঙাংশিংগীমক লৌখৎপা য়াইফ থৌরাংশিংগী মতাংদা থা তরুক খুদিংগী পেরিওদিকেল রিপোর্ট অমুক্তং ওইরবসু পীখৎলক্কবনি হায়নসু খঙহনখি। অদুগা কোর্টনা ঙসি লাউথোক্লিবা জজমেন্ট অমসুং ওর্দর অসিদা য়াওরিবা দিরেক্সনশিং অসি থবক্তা ওন্থোকপগী রিপোর্ট পীখৎলক্কবগীদমক মেট্রর অসি মথং থাগী ১৯দা অমুক হন্না লিষ্ট তৌনবসু দিরেক্সন পীখি।

দিলিমিটেসন তৌগদবা ষ্টেটশিংগী মনুংদগী ‘মণিপুর’...

লামায় ১গী মখা... তৌরকখিবা এম সী (পি আই এল) নম্বর ২৬ ওফ ২০২০, এফ এ টি ৱাই সী এমনা ফাইল তৌরকখিবা এম সী (পি আই এল) নম্বর ৩০ ওফ ২০২০, উখুল ত্রাইবেল দিলিমিটেসন ফোরম (য়ু দি টি এফ) না ফাইল তৌরকখিবা এম সী (পি আই এল) নম্বর ৪১ ওফ ২০২০ অমসুং পি আই এল নম্বর ২৫ ওফ ২০২০গা মরী লৈননা ফাইল তৌরকখিবশিংনা অটসুমগী মায়কৈদগী এম সী (পি আই এল) নম্বর ২১ ওফ ২০২০, হুতন আলেকজেন্দর অমসুং অতোপ্পা মীওই ৫না এম পি সী সী অমসুং অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি ১৫গী মথক্তা ফাইল তৌরকখিবা এম সী (পি আই এল) নম্বর ২২ ওফ ২০২০ অমসুং পিপলস দেমোক্রেটিক এলায়েন্স (পি দি এ) না ফাইল তৌরকখিবা এম সী (পি আই এল) নম্বর ৪৩ ওফ ২০২০নি।

হায় কোর্ট ওফ মণিপুরদা ফাইল তৌরকখিবা মপূং ওইবা পি আই এল অহুম (নম্বর ২২, ২৩ অমসুং ২৫ ওফ ২০২০) না ৱাকৎলক্লিবনা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট খরগী দিলিমিটেসন তৌগনি হায়খিবা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২০দা ইন্দিয়া লৈঙাক্কী মিনিষ্ট্রি ওফ লো অমসুং জষ্টিসনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদু ক্বাশ তৌদুনা চৎনহনবীগনু অমসুং দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রিবসিগী মতুংইন্না মসিগী থবক থৌরমশিং পাঙথোক্লবগীদমক মার্চ ৬, ২০২০দা থোকখিবা দিলিমিটেসন কম্মিসন শেম্বগী নোটিফিকেসন অদুবুসু চৎনহনবীগনু হায়বসিনি।

মপূং ওইবা পি আই এল অহুম অসিনা মখা তানা কোর্টতা ৱাকৎলিবনা করিগুম্বা মণিপুরদা দিলিমিটেসনগী থবক চথুগে হায়রবদি মণিপুর ষ্টেট অপূনবগী মীকোক থিবগী থবক অমুক হন্না (রি কাউন্টিং) তৌগদবনি অমসুং চীংগী দিষ্ট্রিক্টশিংগী সব দিভিজন মাপন হায়বদি মাও মরাম, পাওমতা, পুরুল, সাইতু গম্ফাজোল, চাকপিকারোং, মোরে, মচি, চান্দেল হেদ ক্বার্টর অমসুং কসোম খুলেননচিংবা সব দিভিজনশিং অসিগী রি কাউন্টিংগী থবক চৎলিবা কুমজা ২০২১ অসিগী সেন্সসকী থবক্তা হাপচিন্দুনা পাঙথোক্কদবনি। হায়রিবা সেন্সসকী থবক অসিসু য়ুনিক আইদেন্টিফিকেসন ওথোরিটি ওফ ইন্দিয়া (য়ু আই এ আই) না তৌবগুম বাইও মেত্রিক লৌবা নৎত্রগনা মীওইশিং অদুগী অধারগীদমক বাইও মেত্রিক লৌখিবগী নুমিৎশিং য়াওহনগদবনি হায়বসিনি।

হায়রিবা ৱাফমশিং অসিগী মথক্তা মপূং ওইবা পি আই এল পিটিসন অহুম অসিগী পিটিস্নরশিংনা হায় কোর্টতা ৱাকৎলক্লিবনা কোর্ট অসিনা রিট পিটিসন (পি আই এল) নম্বর ১৬ ওফ ২০০৫গী ৱায়েল চথরবা মতুংদা কুমজা ২০০৭কী জন্যুৱারী ১৯দা পীখিবা ওর্দর অদুদা য়াওরিবা দিরেক্সনশিং অদু থবক্তা ওন্থোক্কদবনি হায়বসিনি।

ঙসিদগীনা চহী ১৬ লোমগী মমাঙদা হায় কোর্ট অসিগী দিভিজন বেঞ্চ অমনা পীখিবা ওর্দর অদুদা মণিপুরগী মীকোক থিবগী থবক অমুক হন্না পাঙথোক্কদবনি হায়খিবগা লোয়ননা মরু ওইনা চীংগী সব দিভিজন ৯ অসিগী মীকোক থিবগী থবক অমুক হন্না পাঙথোক্কদবনি হায়খিবনি।

লোয়ননা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি ১৫গা খূৎশম্নদুনা পূন্না পিটিস্নর ১৬না ফাইল তৌরকখিবা পি আই এল নম্বর ২৫ ওফ ২০২০ অদুদনা মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসনা থোকখিবা দিলিমিটেসন তৌরগনি অমসুং মসিগী কম্মিসন শেম্লগনি হায়খিবা নোটিফিকেসনাং অদু চেলেঞ্জ তৌরকপগা লোয়ননা হায় কোর্ট অসিনা জন্যুৱারী ১৯, ২০০৭তা পীখিবা পি আই এল নম্বর ১৬ ওফ ২০০৫গী ওর্দর অদুদা য়াওরিবা দিরেক্সনশিং অদু থবক ওইনা পাঙথোক্লবা মখোয়না ফাইল তৌরক্লিবা পি আই এল অসিনা কোনশিল্লিবা রেসপোন্দেন্টশিং অদুদা দিরেক্সন পীবিয়ু হায়বসিনি। তোঙান তোঙানবা পিটিস্নরশিংনা অতোপ্পা ষ্টেট খরগা কোন্ননা মণিপুরদা দিলিমিটেসন তৌরগনি হায়রকখিবা নোটিফিকেসন অমসুং মসিগী কম্মিসন শেম্বগী থবক থৌওংশিংবু চেলেঞ্জ তৌরকখিবা মপূং ওইবা পি আই এল অহুম অমসুং মসিগা মরী লৈনবা মিসেলিনস (পি আই এল) শিং (পূন্না ৯) অসিবু থা অসিগী ১৬তা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী চীফ জষ্টিস সঞ্জয় কুমার অমসুং জষ্টিস খ্বাইরাকপম নোবিনগী দিভিজন বেঞ্চনা লৌখৎখ্রে।

কোর্টনা মেট্ররশিং অসি লৌখৎলকপদা পি আই এল নম্বর ২২ ওফ ২০২০গী পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা কাউন্সেল এম দেবানন্দনা লেপখি। অদুগা এদিসনেল এদভোকেট জেনরেল লেনিন হিজমনা ষ্টেটকী মায়কৈদা লেপখি। লোয়ননা কাউন্সেল কে ঐচ সমরজিৎনা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ অমসুং ৫গী মায়কৈদা লেপ্লগা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল এস সুরেসনা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদা লেপখি। পি আই এল নম্বর ২৩ ওফ ২০২০গীনা পিটিস্নরশিংগী মায়কৈদা সিনিয়র কাউন্সেল মাইবম হেমচন্দ্রনা লেপখি। অদুগা ষ্টেটকী মায়কৈদা এদিসনেল এ দি লেনিন হুইদ্রোমনা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪ অমসুং ৬কী মায়কৈদনা কাউন্সেল কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখি। পি আই এল নম্বর ২৫ ওফ ২০২০দনা মসিগী পিটিস্নরশিং ওইরিবা মণিপুর প্রদেশ কোংগ্রেস কম্মিটি অমসুং অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি ১৫ পূন্না পিটিস্নর ১৬কী মায়কৈদনা কাউন্সেল সাপম বিশ্বাজিৎনা লেপখি। পিটিসন অসিদসু মণিপুর লৈঙাক্কী ওফিসল রেসপোন্দেন্টশিংগী মায়কৈদা এদিসনেল এ জি লেনিন হিজমনা লেপ্লগা রেসপোন্দেন্ট নম্বর ৪গী মায়কৈদনা কাউন্সেল কে ঐচ সমরজিৎনা লেপখি অদুগা য়ুনিয়ন ওফ ইন্দিয়াগী মায়কৈদনা এসিষ্টেন্ট সোলিসিটর জেনরেল (এ এস জি) এস সুরেসনা লেপখি। চীফ জষ্টিসনা লুচিংবা দিভিজন বেঞ্চ অসিনা পি আই এল অহুমদা য়াওরিবা পার্টিপূম্নমক্কী মায়কৈদা লেপ্লিবা সিনিয়র কাউন্সেল য়াওনা কাউন্সেলশিংগী সবমিসশিং তারবা মতুংদা মপূং ওইবা পি আই এল ৩ অসিগা লোয়ননা মসিগী মতাংদা ইন্টরভেনরশিংগী মায়কৈদগী ফাইল তৌরকখিবা মিসেলিনস কেস (পি আই এল) ৯গী মতাংদা জজমেন্ট পীখি।

কোর্টনা ফোঙদোকখিবদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ লো এন্দ জষ্টিসনা মণিপুর য়াওনা ষ্টেট খরদা দিলিমিটেসন তৌগনি অমসুং মসিগীদমক কম্মিসন অমা শেমগনি হায়দুনা ফেব্রুৱারী ২৮, ২০২০ অমসুং মার্চ ৬, ২০২০দা থোকখিবা নোটিফিকেসনশিং অদুগী মখা তারকপদা চৎলিবা থা অসিগী ৩ (মার্চ ৩, ২০২১) দা অনৌবা নোটিফিকেসন নম্বর এস. ও. ১০২৩ (ঈ) থোকখ্রে। নোটিফিকেসন অসিনা হান্না মমাঙদা থোকখিবা নোটিফিকেসন অদুবু শেমদোক্লদুনা দিলিমিটেসন তৌগনি হায়রিবা ষ্টেটশিংগী মনুংদগী ‘মণিপুর’ লৌথোক্লে হায়না ফোঙদোরকখি হায়রি। মরম অসিনা লৈরক্লিবা অহোংবশিং অসিনা মপূং ওইবা পি আই এল অহুম অসিগী পিটিস্নরশিংগী ৱাকৎশিং অদু সেট্রল তৌরবনা মেট্ররশিং অসি মণিপুরগী ওইনদি মখা তানা খন্নফম থোক্ত্রে হায়বা ৱায়েল পীবগা লোয়ননা মপূং ওইবা পি আই এল অহুম অসি ইনফ্রক্সস ওইবনা মরম ওইরদুনা দিসপোজ তৌরে হায়খি।

অদুম ওইনমক করিগুম্বা দিলিমিটেসনগা মরী লৈনবা অনৌবা থবক থৌওংশিং মায়োক্নরক্লগদি লোগী মতুংইন্না লৌখৎফম থোকপা চপ চাবা থবকশিং লৌখৎলকপদা কোর্টনা পীটিস্নরশিংদা লিবরটি পীখি। লোয়ননা মপূং ওইবা পি আই এল অহুম অসি কোর্টনা দিসপোজ তৌখ্রবনা মসিগা মরী লৈননা ফাইল তৌনরকখিবা মিসেলিনস পি আই এলশিং অসিসু মখা তানা লৈফম থোক্ত্রে হায়না লৌবদগী কোর্টনা দিসমিস তৌরে হায়খি।

ওন্নখিবা

ঙরাংগী এদিটোরিএলদা *নীংতম্লকপা চহী ৪ মপূং ফারকপা* হায়খিবা অদু চহী ৭৫ হায়গদবনি। ওন্নখিবা অসিগীদমক নুংঙাইতবা ফোঙদোকচরি।
-*এদিটর*

য়ূমগী চাক থোংনবা নুপী ১ পামজৈ

য়ূমগী চাক থোংনবা নুপী অমা পামজৈ। মশাগী চহী ৫০দগী ৬০ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ওইগদবনি। চাক থোংগদৌরিবা মফম অসি কৈশাম্পাৎ সেগা রোদতা লৈবা য়ূম অমগীনি। মরম অসিনা মফম অসিগা নক্লবা মীওইনা হেন্না পামজৈ। থাগী তোলোপ লুপা লিশীং ১০ পীগনি।

টেলিফোন তৌরকপগী মতম : অয়ূক পুং ১০দগীনা নুংথিল পুং ১ ফাওবা। ***কন্টেক্ট নম্বর : ৭৪২৩০৮১৩২২***


KINGDOM
Govt. Regd.No. 422 of 2020
AVIATION COURSE
SPOKEN HINDI
SPOKEN ENGLISH
COMPUTER (NIELIT)
STOCK MARKET
ADMISSION OPENS FOR ALL COURSES NOW
SIR NAOBI LOITONGBAM
- 21 YRS. TEACHING EXPERIENCE
- 3 MTHS. AT IT CALL CENTRE AS A TRAINER
- 2 MTHS. AT AIR (ALL INDIA RADIO) IMPHAL
- 1 MTH. IN MYANMAR / BURMA AS A TRAINER (SPONSORED BY SAT, GOVT. OF MANIPUR)
- MULTIPLE SCHOOLS & COLLEGES AS A TRAINER (SPONSORED BY UGC)
#7005622203, 6009124946
ONLY AVIATION COURSE STARTS FROM 12th APRIL 2021
Aviation Staff
H. NANDITA DEVI
BBA(h) Tourism & Hospitality Management, Ex Cabin Crew Kingfisher - 4 yrs. Qatar Airways - 3 yrs
K. BIDYARANI DEVI
Air India Sats - 3 yrs, Bangalore Indigo Airline, Imphal Airport since 2017 till date
RAKESH N.
Mr. Reso King Manipur 2011. Resacaaal Manhunt Manipur 2014. Fair & Lovely Mega Mr. North East 2015. Rubaru Mr. India 2018 Best Ramp walk
S. KANCHAN CHANU
Miss G.P. Women's College 2014, Manfete Queen 2015 - 1st Runner Up, Miss Ougri Photogenic 2015, Miss Manipur Queen 2017, Miss India Manipur 2017
Computer Courses : Tally GST, CCC, CCP, C/C++, DTP, DCA (3/6 mths.), etc
100% Job Placement Assistance
Address: IIIT Building, Old Lambulane Opp. G.P. Women's College Main Gate
Keishampat Kangabam Leirak behind Bheigo Hotel (below Apex)
HL-B/6053/8, 9 feb. to 15 March